**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-03-2025)**

**ইবোবী (এল)ঃ** কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা-ওক্রম ইবোবীনা হায়রি-মনিপুরদা শান্তি পুরকবা ঐখোয় পুন্না ফমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

ৱাফম অসি ঙসি কৈশামথোং ব্লোক কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকাই যুমজাউ লাইরেম্বী লম্পাক্তা পাঙথোকপা এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমবু ওকপগী থৌরমগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী ইবোবীনা হায়খিবনি।

মহাকা মখা তানা হায়-লমদম অসিগী মীয়ামনা শান্তি হনজিলহল্লকবা থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাংশিং শিংথানিংঙাইনি। মসিদা মফম মতম য়েংদুনা মতম চানা থবক পায়খৎপা চুমগনি খল্লি।

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা শ্রী ইবোবীনা হায়-রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিল্লকবা হোৎনরিবা অসিদা চিংগী মফমশিংদা টোটেল সটদাউন্দগী খোঙজং চংশিল্লকপা লাইবক থিবনি।

**লম্বী (এল) ঃ** মনিপুরগী কুকি জো তাবা মফমশিংগী লম্বীশিংদা মতম কত্তবা টোটেল সটদাউন্দ চত্থরি। খোঙজং অসি কুকি জো কাউন্সিল য়াওনা কুকি জো ফুরুপকী তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা চংশিনখিবনি।

সটদাউন্দগী খোঙজং অসি মরুওইনা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা মনিপুরগী লম্বীশিংদা ঙরাংদগী অয়েৎ-অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌনবা থৌরাং পায়খৎনবা রাজ্যগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংদা খঙহনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চংশিনখিবনি।

খোঙজং অসিদা ঙসি মনিপুরগী কুকি জোশিংনা তাবা মফমশিংদা মীয়ামনা

লম্বী থোরক্তুনা অচৎ অওকশিং থিংখি। সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা খোঙজং চংশিল্লিবা মীয়াম অদু লাকশিন্নবা অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখি।

কমিতি ওন ত্রাইবেল য়ুনিতিনা কাংপোকপী জিলাদা কৌখিবা টোটেল সটদাউন্দ অসিনা জিলা অসিদা দুকানশিং থোং হাংনখিদে। লম্বীদা গাড়ি চৎপগী চাং হন্থখি। অদুমওইনমক, পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউদি লৈতে।

**ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর পাউমী-ফ্রান্সিস সোঙাতেনা হায়**-মতম কক্তবা সটদাউন্দ অসিনা মরম ওইদুনা চুরাচান্দপুর জিলাগী মহৌশাগী পুন্সিদসু চাউনা অকায়বা পীখি। ঙরাং ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌননবা থৌরাং লৌখৎখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা অকনবা খোঙজং চংশিনখিবা অদুদা মীওই অমা লৈখিদবা অমদি খরনা অশোক অপন নংখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা সটদাউন্দ অসি চত্থগনি হায়না কুকি জো কাউন্সিলগী চেরোল অমনা হায়রি।

**থৌবাল (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরিবা নসা মুক্ত ভারত কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবালদা নুপামচা অমসুং নুপীমচা কয়ানা শরুক য়াদুনা লমশাং লমজেল চেনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস থৌবালনা শিন্দুনা খোঙজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা ফাওবা চেনখিবা লমজেল অদু জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা থৌবালদগী লমথাখি।

**ককচিং (এল)ঃ** লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিং অমদি রিছার্স ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজি, ইম্ফালনা পুন্না শিন্দুনা অখন্নবা সাইন্সকী মরমদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংবা অমদি লম অসিদা খন্ন-নৈনবগী

থৌরম অমা ঙসি ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা প্রোফেসার-ঙাংখম নিমাইনা হায়-মহৈ মশিং তম্বা হায়বসি পরিং নাইনা চত্থগদবা থৌওংনি। হীরমসিদা ঐখোয়না মায় পাক্নে, অফবা মী অমা ওইগে হায়রগদি লেপ্পা লৈতনা হোৎনবা চংই। হৌজিক হোংলক্লিবা মালেমগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজিগী চাউখৎ লমজেল অসিদা মাংজিল থানা চৎপা ঙমবা ঐখোয়না মহৈরোইগী পুন্সি ওইরিঙৈদগী হৌনা সাইন্সকী ৱাখল্লোন মমি তাহন্নবা মমা-মপাশিং, অহল-লম্মনশিং অমদি ওজাশিংনা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-এন. রাজমোহোননচিংবা শরুক য়াখি।

**লং (এল)ঃ** লফুদগী শুংবা লংনা শাবা পোৎথোকশিং মীয়ামদা ফংহনখ্রে। পোৎলম অসি ইম্ফালদা লৈবা চানকোর্ব প্রাইবেট লিমিটেদনা পুথোকপনি।

চানকোর্ব প্রাইবেট লিমিটেদনা অহানবা ওইনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফাল হোটেলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যগী টুরিজম বিভাগকী দাইরেক্তর-পুজা এলাংবমনা হায়-চানকোর্বনা ঙসি পুথোক্লিবা পোৎথোকশিং য়ামা শিংথানিংঙাই ওই। হায়রিবা পোৎথোকশিং অসি মনিপুর খক্তনা নত্তনা মপানদসু থাদোকবা মগুন লৈবা পোৎথোকশিং ওইহন্নবসু আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী জোইন্ট দিরেক্তর-নিতা অরাম্বম অমসুং সেন্টর ফোর ওন্টরপ্রেন্যুরসিপ এন্দ স্কিল দিবলপমেন্ট মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিরেক্তর প্রোফেসার-সি.ঐচ. ইবোহলনা অথোইবা মীথুংশিং ওইখি।

**উখ্রুল (এল) ঃ** উখ্রুল জিলাদা খোই য়োকপনা মরুওইবা শিনফম ওইদুনা শেল থুমগী ফিভমদা চাউনা মতেং পাংলি।

খোই য়োকপগী শিনফম অসি মতম কয়াগী মমাংদগী চত্থদুনা লাক্লবসু ইমুং অমগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমলমদে। অদুমওইনমক, ঙসিদি অশেংবা খোইহি পান্বগী চাং হেনগৎনরকপনা শিনফম অসিনা শেল থোকবা লম্বী অমা ওইবতা নত্তনা শেল য়ামা চংদনা পায়খৎপা য়াবা শিনবা অমা ওইরি।

উখ্রুল জিলাদা হৌজিক ফাওবদা ইমুং ১০০ গী মথক্তা খোই য়োক্তুনা শেল দাল লম্বী অমা ওইরি। হীরম অসিগা মরী লৈননা উখ্রুলগী হুংফুল খুলদগী খোই য়োক্লিবা মীওই অমনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-

**অন্দোক (এল)ঃ** লমদম অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শিজিন্নবা অমদি য়োন্দুনা শেল দাল লম্বী চত্থরিবা মীওইশিং ৱাখল তানবা চত্থরকপা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ঙসি এন্টি নার্কোটিক দ্রগ ওর্গনাইজেসন-কংলৈপাক (অন্দোক) না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোইবদা পোষ্টর কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

লুপ অসিগী চেরোল অমনা হায়-মনিপুরদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবগী খোঙজং অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা কাংলুপ খুদিংমকা খন্থমীন্নদুনা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক মরু ফংনা মুত্থৎমীন্নসি। লোয়ননা অন্দোকনা চত্থরক্লিবা খোঙজং অসিদা অমত্তা ওইনা শরুক য়ামীন্নসি হায়রি।

**পেনা (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী কলচর মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা কোংবা নাকৈ দবম লৈকাইদা লৈবা নোংয়িং আর্টস এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসন-মনিপুরনা শিনদুনা নুঙলোন পেনা তন্থা ঈশৈগী মতাংদা থা অমা চুপা চত্থরকপা ট্রেন্নিং কম প্রদক্সন লোয়শিনখ্রে।

ইরিলবুংদা লৈবা হুইয়েন লাল্লোং মনিপুর থাং-তা কলচরেল এসোসিয়েসনগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্টর-কোলকাতাগী বোর্ড ওফ দাইরেক্তরগী মেম্বর-বুধা চিংথামনা হায়-মোর্দন মনিপুরদা পেনানা ঐখোয়গী ফুরুপ অসিবু মশক

খঙহনবদা চাউনা মতেং পাংলি। পেনা খোঙবা, পেনা তাবা হায়বসি ঐখোয়গী ফুরুপ অসিগী অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী ৱাখল্লেনা লৈহনবা ঙমগনি। লোয়ননা পেনানা ঐখোয়গী মহৈ মশিংগী থাক ৱাংখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমবা হোৎনগদবনি।

**থৌবাল (এল)ঃ** আমর্দ ফোর্সেস এক্স সার্ভিসমেন ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন-থৌবালনা শিনদুনা থোবাল জিলাগী খোঙজোম খেবা চিংদা লৈরিবা ঐতিহাসিক ওইরবা খোঙজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সকী মনুংদা লৈবা কোম্বীরৈ পার্কতা ঙসি লম-তু শেংদোকপগী থবক হৌখ্রে।

থৌরম অসিদা জিলা অসিগী দিপ্যুদি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাস, এস.পি. শিবানন্দ সুরবে য়াওনা মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

**নন্দাঃ** কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি-জে.পি. নন্দানা ত্রিপুরাদা পায়খৎকদবা নুপীমচাশিংগী ওইবা য়াইফ থৌরাং অনি-মুখ্য মন্ত্রি বালিকা সম্রিধি য়োজনা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি কন্যা অত্মা নিরভর য়োজনা পীননবা লাউথোকখ্রে।

অগরতালাগী শ্বমী ভিবেকানন্দা গ্রাউন্দদা ঙসি পাঙথোকপা এন.দি.এ. সরকারনা চহি তরেৎ মপুং পানা রাজ্য অদুদা সাসন তৌরকপগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপদা স্কিমশিং অসি লাউথোকখিবনি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা জে.পি. নন্দানা হায়-মুখ্য বালিকা সম্রিধি য়োজনা অসিগী মখাদা লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুংশিংনা অঙাং নুপী পোকপা মতমদা অঙাংশিং অদুগীদমক লুপা লিশিং ৫০ দিপোজিত তৌগনি। মুখ্য মন্ত্রি কন্যা অত্মা নিরভর য়োজনা অসিনা ত্রিপুরা বোর্ড, সি.বি.এস.ই. অমসুং আই.সি.এস.ই. পরিক্ষা থাগদবা মহৈরোই নুপীমচা ১৪০ দা স্কুতি অমমম পীগনি। নুপীমচাশিংনা মশাগী চহি ১৮ শুবা মতমদা লুপা লাখ তরা-তরাগী শেনফম ফংগনি।

**সংসদ ঃ** সংসদগী বজেট মীফমগী অনিসুবা তাঙ্কক হয়েংদগী হৌরগনি।

এপ্রিল ৪ ফাওবা চথগদবা মীফম অসিদা সিত্তিং ২০ লৈগনি। মীফম অসিগী মনুংদা ২০২৫-২৬ কী দিমান্দস ফোর গ্রান্টসশিং খন্ন-নৈনবা অমসুং ভোৎ লৌনবা য়াওনা অতৈ মরী লৈনবা বিল কয়া পুথোক্কনি। মসিদা নত্তনা বেঙ্কিং লোজ (এমেন্দমেন্ট) বিল, কোষ্টেল সিপ্পিং বিল ২০২৪, ত্রিভুবন সাহাকারি য়ুনিভর্সিতি বিল, ইম্মিগ্রেসন এন্দ ফোরেন্নরস বিল, ২০২৫ অমসুং রেলৱেজ (এমেন্দমেন্ট) বিল য়াওনা অতৈ বিল কয়া খন্নদুনা পাস তৌগনি।

সংসদকী বজেট মীফমগী অহানবা তাঙ্কক জনাৱারি ৩১ দগী ফেব্রুৱারি ১৩ ফাওবা চথখিবনি। মদুদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা সভা অনিমক্কী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংখি অমসুং শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না কেন্দ্রগী বজেট পুথোকখিবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) না নুপীশিংদা থবক পীবদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি।

ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্টকী রাজ্য মন্ত্রি-সাবিত্রি ঠাকুরনা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্সনা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা ইবা আর্টিকল অমা মীয়ামদা প্রধান মন্ত্রিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

রাজ্য মন্ত্রি অসিনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-ইং ২০৪৭ ফাওবদা মপুং ফানা চাউখৎপা ভারত অমা ওইহন্নবা প্রধান মন্ত্রিনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং লেপ্পুনা পায়খৎলি। মসিগী মনুংদা নুপীশিংবু থোং মান্ননা চাউখৎপা অমদি মরোমদোম লেপচবা ঙমবা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। এ.আইনা নুপীশিংদা অনৌবা খুদোংচাবা পীবতা নত্তনা খুন্নাইগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা অহেনবা থৌদাং কয়া অমসু পীরি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ নিনিগী মাওরিসিয়স খোঙচৎ লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী হৌরগনি।

মাওরিসিয়সকী জাতিগী নুমিৎ পালন থৌরমদা ভারতকী ঙাকশেল লান্মী কন্টিঞ্জেন্ট অমা, নেভিগী জহাজ অমা অমসুং ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী আকাশ গঙ্গা স্কাই দাইভিংগী কন্টিঞ্জেন্টসু লৈবাক অদুগী পালন থৌরমদা শরুক য়াগনি।

**য়ুএসঃ** কালিফোরনিয়াগী চিনো হিলসতা হিন্দুগী লাইশঙশিং অমাঙ অতা থোকহনখিবগী থৌওং অদুবু ভারতনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক-রনধির জৈসৱালনা হায়-মন্ত্রালয় অসিনা থৌওং অদুদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা মফম অদুগী লো ইনফোর্সমেন্ট ওথোরিতিশিংদা খঙহনখ্রে।

**পোলো (এল)ঃ** ৩৭ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা অসাম রাইফলস পোলো টিম (এ) না তেন্থা পোলো ক্লব টিম (বি) বু পাঞ্জল ৯-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব-লমফেলনা ক্রিপসা টিম (বি) নাওরেমথোংবু পাঞ্জল ৭-২ অদুগা তেন্থা পোলো ক্লব টিম (এ) না পেরেদাইজ টিম (বি) ৱাংখৈবু পাঞ্জল ৯-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ফুটবোল লভরস কংলৈপাক-কিয়ামগৈনা শিনদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অরাপতি লিলোং মপাল কাংজৈবুংদা চথুরকখিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেবেল লৌরেম্বম অঙাংহল মেমোরিএল ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ৱিনর-ফ্লেগ কিয়ামগৈনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা ফ্লেগনা ফ্লেম-য়াইস্কুলবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিনর ওইখিবনি।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি সেদোগ গ্রাউন্দা কোংবা ধোবি লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা থাউ থাংমৈবন্দনা পি.টি.সি.সি. পাৎশোইবু রন-১৫৬ তা থোইখ্রে।

অনিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর টৌইন্তি থ্রি হাওবম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএ ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী লিগ মেটচশিংদা-টি.সি.এম.দি.সি. থোংজ পার্ট টু পেচু লম্পাকা রুল-মৈত্রমবু ৱিকেট ১০ দা থোইখি।

খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুর পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা এস.সি.সি.সি. শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু রন-১৫০ দা থোইখি।